# পোষ্টরিয়র হোকি একাদেমি মণিপুরগী শান্নরোয় ওইরবা মতুংইদা ঐগী শান্নবগী করিয়রসি মপূং ফাবা ঙম্লকখিবনি : টি ঐচ অনুরধা



টি ঐচ অনুরধা (ওলিম্পিয়ন, হোকি)

(হান্নগী মখা...)

খুরাই লাইরিকয়েংবম ময়ায় লৈরক্তা লৈবা চনমথাবম বাবা বালা অমদি ইমা পাকপীগী মনাক্তা লৈদুনা অহানবা ওইনা হোকিসি ঐহাক ইনীং তম্না শান্নবা ফংজরকখি। ববা বালানা ঐহাকপু পোষ্টরিয়র হোকি একাদেমিদা মীং চনবীদুনা (ফাম) ঐহাকপু একাদেমি অসিগী শান্নরোয়সু ওইহনবীরকখি। ঐগী ইমুং-মনুংগী ইখুরাশিং, য়ূমগী নক্লবা মীওইশিংনা ঐবু তাথীবীরবসু ইম্ফাল য়ৌরকপদগীদি ঐহাকপু সপোর্ট তৌবীবা, নুংশিনা লূনা চান্না খনবীবা, হোকিদা ফজনা শান্ননবা এদভাইজ তৌবীবা অহল-লমন ময়াম অমসু থেংনজরকখি। ফামদা শান্নবা ফংবদগীদি ঐঙোন্দা অনৌবা থৌনা অমসু লাকখ্রে।

পোষ্টরিয়র হোকি একাদেমিদা ঐহাকপু তাকপী-তম্বীরকখিবা কোচশিংদি ওজা চান্দিকুমার, লৈখিদ্রবা ওজা দল্লিয়ু হেরোজিৎ, ওজা ক্ষেত্রিময়ূম রোমেশনি। খুরাই লাইরিকয়েংবম লৈকায়দা লৈবা ববা বালাগী মনাক্তা লৈরগা শান্নরকখিবা মতমশিংদু ঐগীদি খ্বাইদগী মরু ওইবা পুন্সিগী তাঙ্কক অমনি। ঐবু হেক পোকপা মচাগুম নুংশিনসু তৌবীরকখি। হৌজিকসু ঐবু সপোর্ট তৌবীরকখিবশিংদুদি থম্মোয়দা ইরাৎচদুনা থমজরি।

ঐগীদি য়ুমসু য়াম্না য়াম্মী। অদুগা পুন্সিদা উবা শুকফং ফংলকখিদ্রবা ঐবু পোকপা বাবাসু ঐহাক্না লাইরিকয়েংবম লৈকায়দা লৈরিঙৈ কুমজা ২০০০দা থেংনজখি।

ঐগীদি হেক পোক্লকপদগী অৱাবা কয়ানা য়োমদুনা ওন্থোকপা পুন্সি অমদা চাউরকখি। ববাগা ঐগা থেংনখিবদুসু ঐঙোন্দদি অঙকপা ৱারী অমনি। ঐনা খরা খরা শান্নবা হৌরকপদগী, ফোরৱার্দ শান্নরোয় অমা ওইনা টিমগী গোল চনবসি ঐগী শরুক ওইরকখি। অদুনা ন্যুজপেপরদা ঐগী পুন্সি ৱারী মতেক মতেক য়াওবসি কুমজা ১৯৯৯দগী হৌরকখি। ইশাগী লৈফম ইমা-ইপাগী মীং য়াওদুনা ফোঙবনিনা শক খঙনদ্রবসু ঐবু পোকপা ববানদি খঙবজাৎনি। ঐনা লৈজরিবা য়ূমদুগা ইরাপ লাপ্পদবা, অশানবা ফৌগী মীল চলাইবা ইমুং অমদা ববাসি লৈরম্মী।

নোংমা ঐখোয় হোকি শান্নমিন্নবা ‘ফাম’ গী ইমান্নবী অনীনা থবক অমা চৎলুসি হায়দুনা ঐবু ববানা লৈরিবা মফমদু তান্না পুবিখি। ববাসি ইমান্নবী অনীসিগদি হান্না খঙনরম্মী। মখোয়না ঐখোয় ববাদা কাকা কৌই। লৈকায়গী ফৌ অতকপা মীলদগী থিন্দোক-থিঞ্জিন তৌবদুদা মখোয়না ববাসি কদাইদগীনো হংবদা নোংমা খুম্লমজাৎনি, ইপাদি তৌবুল হায়বদুদগীনি। ইচাসু অহুমনি। ঐনা পোকপা ইচা অমদি হোকি ফজনা শান্নরে হায়, মমিংনা অনুরাধা কৌই হায়। অঙাংদু মশক্তি খঙদ্রেদা হায়রকপজাৎনি। মদুদা ইমান্নবী অনীদুনা ঐবু থওইনা ববাগী নাক্তা পুরকখিবনি।

ঐখোয় অহুম্না চৎপসিদা ববাসি থবক চৎখি হায়দুনা লৈরমদে। ঐদি ইমান্নবী অনীদুনা তৌরিবদু খঙদবনিনা তুমিন্না ফম্লগা লৈখি। ঐহাক ইশাগী ওইনা তুমিন-তুমিন্না ফম্বসি ঐগী হৈনবী ওইরগা লাকখি। ইমান্নবী মরক্তসু ঐদি ৱা কয়া ঙাঙলক্তে। ঙাইহাক ফম্লবা মতুংদা



**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**

**হোকিদা মীৎয়েং অমা**

ববাসি হল্লকখি। ইমান্নবী অনীসিনা কাকা সিদা ফম্লিবসি মশক খঙৱা য়েংউনে হংই। মদুদা ববানা নখোয় অনীদি খঙই। ইবেম্মা অমসিদি খঙদেনে, য়াম্না নীংঙমদবা অঙাংসু মাল্লিনে খুম্লকখি। মদুদা মখোয়না ককাগী ইচানুপী অমা হোকি শান্নবা য়াওই, মমিংনা অনুরাধা কৌই হায়বদু মহাকনে হায়খি।

ৱাহৈদু হেক হায়বগা ববানা ঐঙোন্দা মুন্না য়েংলকখি। অদুদগী ঐদি তু খ্যাও চুংদুনা ইপানি হেক খঙলকপদগী মখোল থোক্লা কপথোরকখি। ববানা ইনাক্তা চঙশিল্লক্লগা ঐনা পূক্লিং নুংশিনা কপ্পদু থেম্বীখি। নুমিৎতুদা পুন্সিগী অহানবা ওইনা ইপা নুংশিবা ময়েক শেংনা খঙখি। ঙাইহাক ৱারী শানরবা মতুংদা মাগী মনাক্তা পূন্না লৈরসি লাকও হায়রকখি। নুমিৎতু ঐগী ওইনদি খ্বাইদগী পেঞ্জবা, নুংঙাইবা নুমিৎ অমসু ওইখি।

মদুদগী হল্লকপগা ববা বলা অমদি ইমা পাকপীদা ঐখোয় ববা থেংনরকপগী ৱারীদু লোইনা লীরে। ববাগা মতম খরা লৈমিন্নরুরগে, ঐদি হেক খঙলকপদগী ইমাগসু লৈমিন্নবা ফংলক্তে। ববাগসু ঙসি উনরিবসিনা অহানবনি। ইমানা ঐবু খরা থিনবীয়ু হায়জবদগী য়াবীদুনা ববাগী নাক্তা, মাগী অপিকপা কাদুদা মতম খরা লৈমিন্নরকখি। ববানা ঐগী প্রেক্টিশ তৌবা চৎপদা তোংনবা সাইকল অমসু লৈবীখি। ঐনা শান্নবা হৌরকপদা থেংনরকখিবা, ঐবু থীনা-থীনা ফুখিবা, য়ূমদগী তান্থোরকখিবা নুংঙাইতবা থৌদোক-ৱাথোক কয়াগী ৱারীশিংদু ববাদা লোলইনা তমখি। ঐনা শান্নবা পামজবদুদা ববানা ফজনা ইনকরেজ তৌবীখি।

মী ওইননবা থৱায় য়াওনা শান্নরো হায়দুনা ঐবু মতম খরা নুংঙাইনা থম্বীখি। পিশক পিকপা কাদুদা ইপা-ইচাগী ওইবা পুন্সি অমা লৈরকখি। মীওইবা হায়বসি কনাসু তম্বা ঙম্বা নত্তে। হৌখ্রবা অঙাং ওইরিঙৈগী মতমশিংদু ঐগীদি কপ্পতনা মপূং ওইরকখি। নোংমতা থৱায় তানা পূক্লিং নুংঙাইনা নোকপা ফংলকখিদে। অদুবু ঐহাক্না হোকি শান্নরোয় ওইজরকখিবা অসিনা, অৱা-অনা কয়াসি ইরায় লায়না থেংনবা ঙমজরকখি।

শান্নবা চৎপা য়ারোই হায়দুনা খ্বাইদগী অথিংবা থম্লকখিবা প্লেয়রসিসু ঐহাক ওইরমগদবা মাল্লি। কনাগুম্বা অমা ওইরম্লবদি শান্নবা অদুম তোক্লমগনি। ঐগীদি পূক্লিংদা শিংনবা অমসু য়াওনা ফূনা-ফূনা নম্ফুদা শান্নরকখিবনি। অঙাং ওইরিঙৈদা, মায়কৈ মরি য়েংলুবদা করিগুম্বা অমত্তসু উবা ফংলকখিদে। মতমদুদা ঐঙোন্দা চেৎনা থাজবা অমদি লৈখি। ঐহাক্না মশক থোক্লা হোকি শান্নবা ঙম্লবদি ঐগী ওইবা পুন্সি অমদি ফংগনি হায়বসি থাজখি। মসিদা ঐগী লাইবক লেপকে হায়নসু খঞ্জরকখি। -মথং-মথং

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯২গী পাউখুম

১। মখোঙ নাম্মা উনা হাপ্পা শান্নরোয় অমা ওলিম্পিক গেমসতা সনাগী মেদল অনী ফংখি। মহাক্কী মমিং হায়য়ু। :- GEORGE EYSER

২। ইন্দিয়াগী সঞ্জুনা টর্কিশ কপকী মেচ অমদা হেটট্রিক অমা ফংখি। মহাক্কী পাঞ্জল অনীদি মিনট ৩৭ অমসুং মিনট ৭১দা চনখি। অহুমশুবা পাঞ্জল অদু মিনট কয়াদা চনখি? :- 17 MINUTE

৩। ওলিম্পিক্তা টিম অনী (লৈবাক অনী) ফাইনেল শান্নগদবদা টিম অমদি শরুক য়াখিদে। মরমদি অতোপ্পা টিম অদুগী শান্নরোয়শিং অদু খোঙউপ বুট উপখি। মদুদা অতোপ্পা টিম অদুনা য়াখিদে। থৌদোক অসি করম্বা মশান্নদা থোকখিবগে? :- TUG OF WAR

৪। WAGON WHEEL করম্বা মশান্নগা মরী লৈনবগে? :- CRICKET

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? :- NAOMI OSAKA

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯২গী পাউখুম মগা চুম্না থাবিরকখিবশিংদি**

| | |
|---|---|
| ১) ৱাইরোকপম প্রেমকুমার মীতৈ, লৈমপোকপম মখা লৈকায়, নম্বোল | (৫) |
| ২) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম, নোংমৈবুং সেরাম লৈরক | (৫) |
| ৩) নাওচা লাইখুরাম, পৌরাবি পুখ্রি মপাল, ইম্ফাল ইষ্ট | (৫) |

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ- ৯২গী ৱিন্নর**

ৱাইরোকপম প্রেমকুমার মীতৈ (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ৯২গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম**

এপ্রিল ২১, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

**খুদোংচাদবা খরদগী ঙসিগী হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ৯৩ থমজদ্রে।**

# চিলিগী খৃষ্টিয়ান গরিননা য়ুএস মেন্স ক্লে কোর্ট সিঙ্গল টাইটল লৌখ্রে

হ্যুষ্টন, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সী)ঃ

য়ু এস এগী টেক্সাসতা লৈবা হ্যুষ্টনগী রিভর ওক্স কন্ট্রি ক্লবতা পাঙথোকপা য়ু এস মেন্স ক্লে কোর্ট টেনিস চেম্পিয়নসিপকী সিঙ্গলস টাইটল অদু চিলিগী খৃষ্টিয়ান গরিননা লৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী থা অসিগী ৯দগী হৌরকখিবনি, লোয়ননা ১১৭রক শুবা এদিসননি। খৃষ্টিয়ান গরিননা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইখিবা য়ু এসকী সাম ক্বেরিবু খৃষ্টিয়ান গরিননা অহানবা সেটতা য়াম্না মান্নবা মওংদা লম্বা তৌনরকপদগী গেম ৬/৬ মান্নরগা লৈখিবদগী টাইব্রেক য়ৌরকখি।

টাইব্রেক অদুদা খৃষ্টিয়ান গরিননা ৭-২দা থোইরগা সেট অমা মাংজিল থাখি। সেমি ফাইনেল অদুগী অনীশুবা সেটতা খৃষ্টিয়ান গরিননা ফজবা য়াম্না



হেল্লকপদগী সাম ক্বেরিগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌখিবগা লোয়ননা ৬-২দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকখি।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদা নোরৱেগী কেস্পর রুদনা কোলম্বীয়াগী দেনিয়ল ইলসি গ্লানবু ৭-৫, ৬-২দা থোইরমখি।

ফাইনেলদা কেস্পর রুদ অমসুং খৃষ্টিয়ান গরিননা লম্বা তৌরকপদা অহানবা সেট অদু ৭-৬ (৭-৪)দা থোইখি। অনীশুবা সেটতা কেস্পরনা ৬-৪দা থোইখ্রবসু অরোইবা সেটদা গরিননা ৬-৩দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

# এএফসি কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী চেন্নাইয়ন এফসিনা নেপালগী মনাং মর্স্যিয়ানদিগী মেচ য়ুম্বু ওইগদৌরি

অহমেদবাদ, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সী)ঃ

এসিয়ান ফুটবোল কনফিদরেসন (এ এফ সি) কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী গ্রুপ ঈগী অনীশুবা রাউন্দদা হয়েং ইন্দিয়াগী ক্লব চেন্নাইয়ন এফ সিনা নেপালগী ক্লব মনাং মর্স্যিয়ানদিগা লম্বা তৌরনগনি।

গুজরাটকী সিটি অহমেদবাদতা লৈবা দি এরিনা ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা চেন্নাইয়ন এফ সিনা য়ুম্বু ওইদুনা নেপালগী মনাং মর্স্যিয়ানদিগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

পনবা য়াই, গ্রুপ অসিগী অহানবা রাউন্দ মেচতা চেন্নাইয়ন এফ সিনা থা অসিগী ৩দা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ক্লব মিনরভা এফ সিগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎদুনা পোইন্ট অমমম য়েন্নখি।

চেন্নাইয়ন এফ সি হন্দক্তা লোইশিনখিবা ইন্দিয়ান সুপর লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌরকপদা ফিভম য়াম্না শোক্লম্বদগী গেম ৬ থংন-থংননা মায় পাক্তুনা ফজবা ঙম্লকখিবনি। টিম অদুনা সুপর কপকী নোকআউটলম্বাদা ফাইনেল য়ৌদুনা এএফসি গোৱাগী মখুৎতা থা অসিগী ১৩দা শান্নখিবা মেচতা মায়থীবা নংখি।

চেন্নাইয়ন এফ সিগী কোচ ওইরিবা জোন গ্রেগরিনা হয়েং মখোয়গা লম্বা তৌগদৌরিবা নেপালগী মনাং মর্স্যিয়ানদিগী কোচ চিনিং গুরুংগা ঙসি





প্রি মেচ কনফরেন্স অমদা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। নেপালগী ক্লব অসিনা এ এফ সি কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দদা বঙ্গলাদেশকী ক্লব ধাকা বঙ্গবন্ধুগী মখুৎতা মায়থীবা নংদুনা গ্রুপ অসিদা পোইন্ট অমত্তা ফংদনা লৈরি।

মিনরভা পঞ্জাবকা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রবসু মালেমগী ফুটবোলগী চৎনা কাংলোনগী মতুং ইন্না হোম ইন অৱে শান্নবদা হোম গ্রাউন্দদা মায়োক্লবা টিমনা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমখিদবা অদুনা মরম ওইরগা অনীশুবা থাক্তা লৈরি।

চেন্নাইয়ন এফ সিগী ফুটবোল ক্লব অসি হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা য়াম্না অফবা ফিভমদা লৈরি। টিম অসিগী মরু ওইবা শান্নরোই ওইরিবা অনিল থাপানা টিম অসিনা শান্নখিবা মমাঙগী মেচ অমদা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। অদুগা মহাক্কী টিমমেদশিংনসু মতেং কয়া পাংদুনা লাকখি।

টিম অসিদা মমাঙদা শোক্তুনা শান্নবা ঙমখিদবা ধনপাল গনেস অমসুং জেরি লালরিনজ্বলা টিম অসিদা য়াওরকপদগী চেন্নাইয়নগী মপাঙ্গল কনখৎখি। মমাঙগী মেচ ৬তা চেন্নাইয়ন এফ সিনা শান্নখিবদা শুপ্পগী গোল ৩খক মায়োক্লবা টিম্না চনবা ঙমখি। টিম অসিগী কোচ ইংলিস মচা জোন গ্রেগরিনা ফোঙদোকখিবদা ধনপাল মশা ফিট ওইদুনা শরুক য়ারকপা অসি টিম অসিগী অচৌবা এসেট অমনি হায়খি।

নেপালগী ক্লব অদুগী মায়কৈদগী কোচ গুরুংনা ফোঙদোকপদা চেন্নাইয়নগা শান্নবদা পোইন্ট ৩ ফংগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈরি।

গ্রুপ অসিগী মকোক থোংবা ক্লব অদুনা নোকআউট ষ্টেজ য়ৌগদৌরিবনি। হয়েং চেন্নাইয়ন এফ সিনা মায় পাকপা ঙম্লবদি লম্বেল অদু নকশিনগদৌরিবনি।

# ইংলিস প্রেমির লিগতা অর্সনেলনা ৱাটফোর্দপু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা টেবলগী ৪শুবা থাক্তা হায়গৎখ্রে

লন্দন, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সী)ঃ

য়ুরোপকী মমিং লৈরবা ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ইংলিস প্রেমিয়র লিগ ঙসি শান্নখিবা ৩৩শুবা লিগ মেচ অমদা অর্সনেল ফুটবোল ক্লবনা ৱাটফোর্দ ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা লিগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৪শুবা থাক্তা হায়গৎপা ঙমখ্রে।

মেচ অদুগী হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ অর্সনেলগী মায়কৈদগী পুশিনখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই পিওবামেয়াঙনা য়াম্না ফজবা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ৱাটফোর্দপু পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থাবা ঙমখি।

মখা তানা অর্সনেলগী শান্নরোই বোল হেন্না পায়বা ঙমখি। মদুদা কাংলোনগী ৱাংমদা কা হেনবা শাফু শীজিন্নদুনা অর্সনেলগী শান্নরোই অমদগী বোল মুন্নবা হোৎনরুবা ৱাটফোর্দকী টি দিনে রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা মেচ অদু মখা তানা শান্নবা য়াহন্দনা ফিল্ডদগী থোকহনখি।

শান্নরোই ১০ খক্তা ঙাইহৌরবা ৱাটফোর্দকী মায়কৈদা অর্সনেলগী শান্নরোইশিং কা হেন্না খুদুম চন্না শান্নবা ঙমখিদে। মেচকী অহানবা হাফকী মিনট ৪৫ লোইশিল্লকপদা পাঞ্জল ১-০দগী হেনগৎপা ঙমদনা অর্সনেল



অনীশুবা হাফকীদমক শেম শাবা চঙখি।

অর্সনেলগী ফুটবোল টিম ঙসিগী মেচ অদুগী মাংওইননা পোইন্ট ৬৩ ফংলগা ৫শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। মখোয়গী মমাঙদা মেচ ৩৪ শান্নবদা পোইন্ট ৬০ ফংলগা চেলসি ফুটবোল ক্লব ৪শুবদা লৈরম্বনি।

ঙসিগী মেচ অদুগী মখা তারকপা হাফ শান্নরকখি। অহানবা হাফতা পাঞ্জল হেন্না চনবা ঙমখিবা অর্সনেলগী মরক্তা বোল পাসিং অমসুং চুংশিন্নবা হেল্লকপনা মরম ওইরগা অহানবা হাফতগী ৱাটফোর্দকী মায়কৈদা বোল হেন্না পুশিনবা ঙমখি।

ৱাটফোর্দকী মায়কৈদগী অর্সনেলগী টিমনা পুশিল্লকপা বোল অমা মুন্নবা হোৎনরুবদা টিম অদুগী শান্নরোই ই কাপোনা কাংলোনগী ৱাংমদা শান্নরুবগীদমক রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমা পীখি। শান্নরোই ১০ খক্তুমক ওইরবসু ৱাটফোর্দকী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা দিফেন্স শান্নবা ঙমদুনা অর্সনেলগী ষ্ট্রাইকরশিং অরেম্বা তাখি।

মেচ লোইগদবা লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্ত্রবদা ৱাটফোর্দকী শান্নরোইশিংনা ইক্বেলাইজর ফংননবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। মখোয়গী হোৎনখিবা খোঙথাং খুদিংমক অর্সনেলগী দিফেন্দরশিংনা মায় পাকহনখিদে।

মেচকী ৮৬ শুবা মিনটতা ৱাটফোর্দকী শান্নরোই অমসু কাংলোনগী ৱাংমদা শান্নরুবদগীদমক রেফরিনা য়েল্লো কার্দ উৎতুনা বুক তৌখি। মেচ অদু অর্সনেলনা ১-০দা থোইদুনা লিগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা চেলসিগা পোইন্ট মান্নরবসু গোল দিফরেন্সতা ৪শুবা থাক্তা হায়গৎখি।

# মোন্টে কার্লো ওপনদা নোবাক জোকোবিচ ২শুবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা ৩শুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে

মোনাকো, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সী)ঃ

ফ্রান্সকী সিটি মোনাকোদা পাঙথোকপা মোন্টি কার্লো মাষ্টর্স টেনিস টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দদা ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিচনা জমর্নিগী ফিলিপ কোলস্ক্রেবরবু মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

পনবা য়াই, মমাঙ চহীগী ইন্দিয়ান ৱেলস টেনিস টুর্নামেন্টতা জোকোবিচপু কোলস্ক্রেবরনা মায়থীবা পীরম্বনি। মদুগী লমন ঙসি নোবাক জোকোবিচনা শীংবা ঙমখি।

অহানবা সেট নোবাক জোকোবিচনা অহানবা সেট ৬-৩দা থোইখি। অদুবু অনীশুবা সেট অদু জমর্নিগী কোলস্ক্রেবরনা ৬-৪দা থোইদুনা সেট অমমম মান্নখি। অদুবু জোকোবিচকী মায়কৈদগী ফজবা মশান্নবা উৎপা ঙমদুনা কোলস্ক্রেবরগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৪দা থোইরগা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা অনীশুবা রাউন্দ মেচ অমদা ৭শুবা



সিদেদ শান্নরোই ক্রোএসিয়গী মারিন সিলিকপু অর্জেন্টিনা জি পেলানা সেট ২-১দা থোইখি।

পেলানা অহানবা সেট অদু ৬-৩দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেটতা মারিন সিলিক্না ৭-৫তা থোইদুনা সেট অমমম মান্নখি। ৩শুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা অর্জেন্টিনাগী জি পেলানা য়াম্না ফজবা মশান্না উৎলক্তুনা মারিন সিলিক্কী সার্ভিস গেম ৩ ব্রেক তৌবা ঙমদুনা ৬-১দা থোইরগা ৩শুবা রাউন্দদা চঙখি।

রসিয়াগী কে খচানোবপু ইটালিগী এল সোনিগোনা ৭-৬ (৭-৪), ৬-৪দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

অনীশুবা এম এল এ ট্রোফি সভেন মেন এ সাইদ নোক আউট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# কে এ ৱাই ও কুম্বীনা টিক টেক মোইরাং মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচ এন এস) ঃ

কুম্বী অদরস য়ুথ ওর্গনাইজেসন (কে এ ৱাই ও) কুম্বীনা শীন্দুনা কে এ ৱাই ওগী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অনীশুবা এম এল এ ট্রোফি সভেন মেন এ সাইদ নোক আউট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা কে এ ৱাই ও কুম্বীনা টিক টেক মোইরাং মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়ারগা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা এম এল এ ট্রোফি সভেন মেন এ সাইদ নোক আউট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী মখা চত্থরকপা ওইনা ঙসি কে এ ৱাই ও কুম্বী অমসুং টিক টেক মোইরাং শান্নখি। মেচ অদু কে এ ৱাই ও কুম্বীনা লাকচরপ তৌনা শান্নখি। অহানবা হাফ হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ মেচকী ৮শুবা মিনটতা কে এ ৱাই ওগী জর্সি নম্বর ৭ ৱাই নরেসনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চল্লগা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। মেচকী ১৮শুবা মিনটতা কে ৱাই ওগী জর্সি নম্বর ১৮ সুধিরনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনখি। মেচকী ২৬ অমসুং ২৭শুবা মিনটতা কে এ ৱাই ওগী জর্সি নম্বর ১৫ টি



প্রেমজিৎনা গোল অনী অমগসু থংনা থংননা চনশিন্দুনা কে এ ৱাই ওবু গোল ৪ মাঙজিল থাহনখি। মিনট ২ খক কান্নরগা মেচকী২৯শুবা মিনটতা ৱাই নরেসনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিক টেক মোইরাংগী মায়কৈদগী গোল অমা ফাওবা হন্দাকপা ঙমদবদগী কে এ ৱাই ও কুম্বীনা গোল ৫-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অহানবা হাফতা গোল ৫ মাঙজিল থাদুনা লাক্লবসু কে ৱাই ও কুম্বীনা মখা তানা অহানবা গোল চন্ননবা অনীশুবা হাফতসু য়াম্না ফজনা শান্নরকখি। অনীশুবা হাফকী ৪৫শুবা মিনটতা ৱাই নরেসনা মহাক্কী অহুমশুবা গোল চল্লগা হেটট্রিক লৌখি। মসিগী মতুং মেচকী ৫৪শুবা মিনটতা টি প্রেমজিৎনা অমুক মহাক্কী অহুমশুবা গোল চল্লগা হেটট্রিক লৌখি। কে এ ৱাই ওগী গোলশিং অদু হন্দোক্লনবগীদমক টিক টেক মোইরাংগী মায়কৈদগী কন্না হোৎনখি। মেচকী ৫৬শুবা মিনটতা টিক টেক মোইরাংগী জর্সি নম্বর ১৭ ঐচ বিজোনা গোল অমা চল্লগা মেচ অদু গোল ১-৭তা লৈহনখি। অদুবু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা কে এ ৱাই ও কুম্বীনা হেন্দুনা চৎলিবা অতোপ্পা গোলশিং অদুদি হন্দোকপা ঙমদনা টিক টেক মোইরাং মায়থীহৌখি। ৱাই নরেস অমসুং টি প্রেমজিৎনা হেটট্রিক ফংখিবা অদুনা মেচ অদু কে এ ৱাই ও কুম্বীনা গোল ৭-১দা য়াম্না চাউনা মায় পাকপা ঙমহনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা ঙসি অতোপ্পা মেচ অমদা য়ঙ টিম কুম্বী অমসুং এন ৱাই দি এ নোংমাইখোং শান্নগদবনি। অদুবু এন ৱাই দি এ নোংমাইখোং লাক্তবদগী য়ঙ টিম কুম্বীনা ৱাক ওভর ফংখি।